ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯵, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, সেপ্টেম্বর ২৫, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৮০শুবা মশীং

# সী বি আইগী ওফিসলশিংসু মীওইবনি

## মথৌ মশক খঙলক্ত্রগদি য়াদে খঙহনগদবনি

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) হায়রিবসি লৈবাকসিদা লৈরিবা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সীশিংগী মনুংদা মাঙজিল থারিবা অমসুং মশাগী অহকপা পৱরশিংসু লৈজরিবা এজেন্সী অমনি। এজেন্সী অসি লৈবাকসিনা জন্যুৱারী ২৬, ১৯৫০দা মপূং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইরকখ্রবা মতুং এপ্রিল ১, ১৯৬৩দা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ পর্সনেল, পব্লিক গ্রীভান্সেস এন্দ পেন্সন্সগী মখাদা লিংখৎখিবনি। এজেন্সী অসিনা লৈবাকসিগী সিভিল পুলিস অমসুং অতৈ লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংগা মান্নদবা মওংদা অহেনবা পৱরশিং মখোয়দা এনটাইটল তৌবগী মতুংইন্না শীজিন্নবা, এক্সর্সাইজ তৌবা ঙম্মী। হায়রিবা পৱরশিং অসি লোইনা কোৎথোক্লুদ্রবসু সী বি আইনা লৈবাকসিদা চৎনরিবা ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সী), ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ (সী আর পি সী) অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টনচিংবগী তোঙান-তোঙানবা প্রোভিজনশিংগী মখাদা মরাল লৈরে হায়রবা মীওইশিং ফাগৎপা ঙম্মী অমসুং মীওইশিং অদুবু প্রোজিক্যুইট তৌবা ঙম্মী। মরম অসিনা এজেন্সী অসিবু ক্রাইম তৌবা ক্রিমিনেলশিংনা, ওফেন্স কম্মিট তৌরুবা ওফেন্দরশিংনা ঙসি ফাওবদা কি-হঙ্গোইনা লৌই। সী বি আইগী মপাঙ্গল কল্লবা লোগী লাংশিংদগী নান্থোক্লুবা, মসিদা থুদনবা হোৎননৈ। লোবু ইকায়খুম্ননা চৎনৈ। তশেংনমক এজেন্সী অসি লিংলকপদগী লৈবাকসিগী মফম কয়াদা শীংথানবা য়াবা ইনভেষ্টিগেসন কয়া চথখ্রে। অরানবা থবকশিংগী অশেংবা লংলা-লংজিলশিং থিদোক্তুনা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা রেগ্যুলর কেসশিং লৌখৎখ্রে। কেসশিং অদুগী ইনভেষ্টিগেসন মপূং ফানা চথদুনা চেন্নবশিংগী মথক্তা চার্জশীটশিং মরী লৈনবা কোর্টশিংদা থাগৎলক্তুনা ৱায়েল চথখ্রে। মরাল লৈরে হায়বা মীওইশিং কোর্টনা মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী মখাদা পীফম থোকপা চৈরাকশিং ফংহনখ্রে।

হায়রিবশিং অসি এজেন্সী অসিনা তৌগদবা অমসুং পাঙথোক্কদবা মখোয়গী থবক থৌওংশিংনি, মথৌনি। অদুবু ঙসিদগীনা চহী ৪ হেনবগী মমাঙ কুমজা ২০১৭কী সেপ্টেম্বর ৮দা গ্রেটর নোইদাগী মফম অমদা থোকখিবা থৌদোক্তা উরিপোকতগী মশাগী চহী ২২ খক্তা ঙাইখিবা মহৈরোয় অমগী মীশিগী মতাংদদি সী বি আইনা মরোল থৈরকপা, তৌগদবা মথৌশিং রুলগী মতুংইন্না তৌরক্তুবা মানবগী থৌদোক থোরক্লিবা অসিবু করিগীনো? মসিবু সী বি আইগী ওফিসলশিং অসিসু মীওইবা ঙাক্তা ওইবদগীরা? নুমিৎতুদা নোইদাদা পাঙথোকপা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম অমা য়েংলুনবগীদমক লৈখিদ্রবা পর্ভিস চনম মহাক্কী লৈফমদগী থোকখিবনি। অদুগা অমুক হন্না হঞ্জিল্লকখিদবনি। মহাক হল্লক্তুনা মফম খঙখিদবগী মতাংদা মরী লৈনবা উত্তর প্রদেশকী পুলিস ষ্টেসন অমদা 'মিসিং রিপোর্ট' ফাইল তৌখি। মতম চানা রিপোর্ট তৌদুনা খঙহনখি। মিসিং রিপোর্ট ফাইল তৌবা হায়বসিদি মীওই অদুগী ফিজিকেল এপিয়ারেন্স/দেসক্রিপসন, শেৎ-চাখিবা ফি-রোলনচিংবা পূম্নমক ময়েক শেংনা পনবা/হায়বা হায়বসিদি অসিগুম্বা রিপোর্ট অসিগী হৌনবীনি। তৌদবা য়াদ্রবা মেন্দেটরি ওইবা প্রোভিজনশিংনি। অদুবু মহাক্কী কোক্কী শরুক্তা শোকপা য়াওনা শিনা ফংলবা মতুংদা উত্তর প্রদেশ পুলিসনা মহাক্কী হকচাং রিকোভর তৌখি। মরী লৈনবা হোস্পিটালগী মোর্চ্যুরি অমদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা মিসিং রিপোর্ট ফাওবা পীশিনখিবা মহাক্কী হকচাং 'অন-ক্লেমদ দেদ বোদি' নি হায়দুনা দিস্পোজ তৌথোকখিবনি। য়ু পি পুলিসকী থৌওংসিগী মায়োক্তা নোইদা, দেল্লী য়াওনা মণিপুরদসু অকনবা মীয়ামগী ঈহৌ লাকপদগী মহাক লৈখিদবা থৌদোক্কী কেস অদু সী বি আইনা কুমজা ২০১৯দা য়ু পি পুলিসতগী লৌশিন্দুনা পায়শিনখি। অনৌবা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা থৌদোক্তুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথখি। অদুবু ইনভেষ্টিগেসন অদুগী মতুংদা কেস অদুগী ফাইনেল রিপোর্ট পীখৎলকপদদি পর্ভিস চনমগী মীশি অদুগী মতাংদা অতোপ্পা মীওইশিংগী খূৎ চংবগী ইভিদেন্স ফংদে, এক্সিদেন্ট ওইগনি হায়দুনা ক্লোজর রিপোর্ট ওইনা কোর্টতা সবমিট তৌরকখিবনি। অদুবু সী বি আইগী রিপোর্ট অদুবু পেন্দবদগী মদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট পিটিসন অমা ঘাজিয়াবাদকী স্পেসল সী বি আইগী কোর্টতা ফাইল তৌরকপনি। হৌজিক্তি প্রোটেষ্ট পিটিসন অদু কোর্টসিনা লৌখৎতুনা খন্নখ্রে। অদুগা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরবুনা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লগা সেপ্টেম্বর ৩০, ২০২১দা লাউথোক্কনি হায়খ্রে। ওর্দরসি লাউথোরকপদা সী বি আই নৎত্রগা প্রোটেষ্ট পিটিস্নরগী ফেবরদা লাকপা/লাক্তবা হায়বগী ৱাফম নত্তনা সী বি আইগী মথক্তা প্রোটেষ্ট পিটিসন ফাইল তৌরক্লিবসি করিগীনো হায়বনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৬

১) *''তাইবঙ মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা,/পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা,/হে উনা! পুন্সি লোম্লমাল্লে,/উফুল্লক্তা তাইবঙ খোঙগাওনরেদো।/নফম লেঙদ্রিঙৈ নপাল ফরিঙৈ,/মালেম নুংশা মৈনা চাক্লিঙৈ,/শাইদাংলম্বা ঙাক্লি নহাক্কী,/তৌবিমল লমন শিংলরে নেৎপনা।''* শৈরেং অসি মমিং য়াম্না পন্নবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) ***''শৈরেংগী খুঙ্গং''*** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

৩) ***''বাংলা সাহিত্যগী ইতিহাস'*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?


৪) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিকনি ***''পুন্সিগী মীৎকূপ অমখক''*** হায়বসি। অইবা অসি কনানো অমসুং করি লমগী অইবনো?

৫) ***''খোইয়ম লাইয়িংথৌ চীংঙু লাইমরু সিদবা ও, তাইবঙ নোংসাপান ওইনা চীংঙু নথৌজানগী উনবী মচেঙ হকমা-ওই, লৈরাং য়িমজংনবাবু চীংঙু নঙগী সমু হকসাংলেনবু পূঙমদরে, হায়না তৎনা ৱাননা খাংলমএ, অদু নোংগীবু লোইদাম অতৎ অৱান থাও তৌনা কৌএ।''*** ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইকায়খুম্নজবা ওইনা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



নিংথমথাগী মতমনি। ইপান থাবগী, মৌ চাক চানবগী, লৈকায় চাক চানবগী শুমাং লীলা হেক হেক তৌনরমই। শুমাং লীলা অসি সরস্বতি পুজা নুমিৎতা স্কুলগী ওজা হেদ মাষ্টরনা শীল্লগা স্কুল লম্পাক্তা হেক হেক তৌরমই। চহী ৩০/৪০গী মমাঙগী ৱারীনি। শুমাং লীলাদা ঐ য়াম্না ঙাওজরকই। ইগে ফাওবা খনখিবা লৈ। সুম সুম য়েংলম্বদগী ইগে হায়না খল্লকপনি, ইবা হৈদৌবা মাল্লকপনি। শুমাং লীলাসু ঐদি য়াম্না য়াওনীংলকই। ইকায়বনা সুম হেনমন্দনা শুমাং লীলা য়াওবমক্তি য়াওরক্তে ঐ। কমেদিয়ন ওইনা য়াওরমগনি য়াওবা তারবদি। পকপা পক্তবগী ৱাগা থোইনা খল্লুদে। নহা ওইবগী ঈথক ঈরৈ অদুনা কনখিবনা।

অয়ূক নুংথিলদা শুমাং লীলাগী মীশিংনা মমায়দা পাউদর থাবা-তৈবা, লিপষ্টিক থাবগী ঙাংবা, পোক শঙবগী অঙৌবা তৈবা অদু উবদা নুংঙাইতবা পোকই। নুংদাংদদি মদু উবা ঙমদে। অদুনা শুমাং লীলাদি নুমিদাংনা খরা চূনৈ। মেক-অপ উবা ঙমদে। অদুবু স্কুলগী সরস্বতি পুজা নুমিৎকী শুমাং লীলাদি নুংথিলদা তৌদবা য়াদে। ঐখোয় অঙাং মচাশিংগী খল্লগা। অঙাং ওইরিঙৈগী শুমাং লীলাদি হাফপেন্ট অমা, খোঙউপ মোজা য়াওদবা, শম হাৎপোই হাৎতবোই, নপ থ্রুৎ-থ্রুৎ চিংখৎলগা য়েংবা অদুনি। ভিদিও ফিল্ম থোক্ত্রিঙৈ মতমদা শুমাং লীলা ঐগী থৱায় ওইরম্মী।

অহিংদা লীলা য়েংবা চৎলি। শুমাং লীলা অহিং অথেংবদা চেরিটি শো উৎপা চৎনৈ। শুমাং লীলা থেংল-থেংলগা নুংঙাইবা হেল্লি। হাওসি অমা লাউনি, নুমিদাং নোংয়াই মতুংফাও অদুগা হাওসফুল ফাওরকপদা (বম্পর দ্রোগী) গুদ মোর্নিং হায়বা হৌনরক্লুবা মতমনি। নোংঙাল্লমদাই ফাও শুমাং লীলা অমুক য়েংবা য়াম্না চৎনরকই। য়াম্না ঙন্না শুমাং লীলা য়েংবা পাক ফংদে। চেরিটি শো ওইরবদি। করিগুম্বদা থেংবা হেনমন্দুনা শুকয়েং য়েংলমদনা ফূক হৌগৎলগা য়ূমদা লাকপসু য়াওখি। পামজবা লীলা খরা অদুম্না শাউরংননা য়েংহৌদে।

ঐ চপ চাবদি খঙহৌদ্রে। কুমজা ১৯৭৫ অদুৱাইদা ওইরম্বা তাই লীলা অমা মমিং তারকখি। লৈরাং ক্কায়োনবী। কুমজা ১৯৭৫কী মতুংদা ওইরম্বসু য়াই। ঈশৈ অমা য়াওই - নঙগী ক্কাসে ময়াং ক্কানি... মখাদি ঐ নীংশিংবা থোক্তুরে। নিংথমথানি ঐ অঙাং ওইরি। ঙবোং অমা ইল্লি। ঙবোং অদু য়ূমদা য়ৌরগা মোম্পাক ফিদক অমুক ওইগদৌরিবনি। হায়রিবা লৈরাং ক্কায়োনবী হায়রিবা লীলাদুদা ঈশৈ শকপা নুপা অমা উখি। মদু নবা চাকথেকপী নৎত্রগা চাকথেকপী নবা হায়রিবা নুপা অসিনি। লৈরাং ক্কায়োনবী লীলাদা মানা নুপা-নুপী অনীনা পূন্না শকপা ঈশৈদা নুপা-নুপী অনীমক্কী খোঞ্জেলদা ঈশৈ শকপা উখি। মতাং-মতাং কয়াদা মহাক্লা নুপাগী খোঞ্জেলসু, নুপীগী খোঞ্জেলসু শাবা ঐনা উখি। অঙাং অমা ওইনা ঐনা ঙকখি। নুপা অমদি নুপী অনীমক্কী খোঞ্জেলদা ঈশৈ শকপা হায়বসি অঙাং ঐঙোন্দা য়াম্না হেক্তা অঙকপা মতৌ অমা ওইখ্রে। ঐ এক্টর-এক্ট্রেস অনী অদুদা য়েংবগী মহুত্তা চাকথেকপী নবগী ঈশৈ শকপগী মতৌ অদু ওইনা য়েংখ্রে। খোল্লে-খোন্দা, শৈশক, ঈশৈগী শুর, মীবু হেক্তা শুমহৎপা ঙম্মী। মী পিকই, মশম ইফা ফাই। মশম্না মকোক চাউনা উই। মতম অদুদা চানা লুখোইসু মাগা মশক য়াম্না মান্নে। পিকপা, চাউবা, শাংবা, কুচু-কুমেন। চানা লুখোইগী লীলা কয়াদা ঈশৈ শকখি। ঐনা মাগী মতম অদুগী কাউঙমদবা ঈশৈ কয়া লৈ। খরদং পল্লবদা, ঙসি লোক্তাক খোংবালসিদা, থোৎন নৌরবী লৈরাংগী মপোকনি, নঙবু অঙাঙবা কুরাও মপালদা খোইনীংনা তোংবা উরক্তরা, ঐনা শুক্কাউ কাউদ্রবা ঈশৈনি। মতম অমদা ঈশৈ লীলা হায়না থোরকপা মতম অদুদা ঐনা ইহান হানবা ওইনা লৈরাং ক্কায়োনবীগা ওক্লরুবনি। করি করি ঈশৈ শকখিবনো অমত্তা নীংশিংখিদ্রে। ঈশৈসু য়াম্না শকখি। হৌজিক মতমদদি শুমাং ঈশৈ লীলাদা ঈশৈ য়াম্না য়াওবা উদ্রে। য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওজে, শৈশকপা অমনা লৈখিদবদা। ঐখোয়গী থম্মোয়বু শুমহৎপা ঈশৈ শক্লম্বা লাইপোকমক্লি হায়বা য়ারবা মীশক অমনা ইখঙ খঙহৌদনা থুপখিবদা।

ঙসিদি শুমাং লীলাগী তাঙল-তাঙলবা মনি কয়া উখিদ্রে। তাইবঙপাল অসি থাদোক্তুনা চৎখ্রে। মখোয়গী খোঞ্জেল, মখোয়গী শক্তম, মখোয়গী ফাগি জুগাই, ঈশৈ, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, মখোয়গী এক্টিং ময়ামদি মীৎতা উদুনা লৈরি।

মখোয় ময়ামগী ম্যুজিয়ম অমা থম্বীফম থোকই। শৈশকপা, লীলা য়াওবা মীশিং, লীলা ইবশিং অমদি পুঙ য়ৈবা, গিটর, ভাইওলিন খোংবা ময়াম হায়বদি ম্যুজিসিয়নশিং, মশক নাইবা প্রদ্যুসরশিংগীবাইওগ্রাফি, মিত্তম (মুর্ত্তি), ফোটোগ্রাফশিং য়াম্না কান্নগনি।

শুমাং লীলা অসি মণিপুরগী তাঙলবা লননিদমক হায়বা, মাইক্রোফোন্দমক থাগৎপা নত্তবা, তশেংনা ইকায়খুম্নবীবা উৎপা ওইনা লৈঙাক অমদি শুমাং লীলাবু নুংশিবশিংনা অঙম্বা থাক্তা হিংদুনা লৈননবা হোৎনহন্নিংই। ●

# মণিপুর কনগদৌরিব্রা -১

**নবকুমার ওইনা**

মণিপুর কল্লিবা হায়বদুরা, মণিপুর মচেৎ তাদনবা হোৎনরিঙৈ মৈতৈদি মুৎখ্রে। ঙমখৈসু লৈত্রবগুম্বনিদা ঙাইহাক লৈতনা হোংদোকপা য়াবা অসিবু ঙমখৈ হায়গেরা লমখৈ হায়গেরা অমা লৈবগী খুদম নত্তেদা। মণিপুর কন্নবা হোনরিবশিংনা (মণিপুর মপান্দগীসু মখোয়সু মণিপুরীনি হায়রিবসিনা) মণিপুর কন্নবরা, মণিপুরী হায়বসি কন্নবরা হায়বা ৱা অমা থোক্লক্লি। য়ূম্ফম য়াওদবনি হায়গেরা, ৱাফম অমা হিংহন্নবা হোৎনবদা মৈতৈ হায়বসিদি রেকোর্দ লৈতবা তাওরগা লৈবা মঙলানগী মমিং অমা ওইরক্লি।

অহানবদা মৈতৈসু কাঙলূপ কয়া খোমজিল্লগা খোমজিনবা য়ারবশিংদু মৈতৈ কৌশিনবা ঙম্নবা হোৎনখি। হৌজিক্না মণিপুরী হায়বা অমা হায়নরকপদগী মৈতৈ কিবসি লাল্লবগুম লৌবা য়াওরক্লি। ককচীংনা, মোইরাংনা, ফয়েংনা, সেকমাইনা মৈতৈবু মৈতৈ অদুম কৌনৈ, হায়বদি মখোয়দি মৈতৈ নত্তে হায়না লৌবা য়াওরি। মৈতৈনি হায়রিবা মরকসিদা মৈতৈ কৌনীংদবা কাঙবু অনীসু য়াওরি। মৈতৈ কৌজনীংলিবশিংনা মদুসু খঙজদগুম লৈবসু মাল্লক্লি। ম্যান্মারনদি মৈতৈসি পঙহায়দা হায়জিনগনবা কাঙলূপ ওইনা হায়নসু লৈ, অদুবু চীংমী ময়ামবুসু য়াওনা মৈতৈ ওইনা লৌই। প্রেগমাটিজম অমদা পঙখন্দা খঞ্জবা, পঙকৌদা কৌশিনখিবা মানবা ৱাফম অমসু থোক্লক্লি। মৈতৈনা খোমজিন্নবা তৌখিবদু মণিপুর কৌখিবদগী মণিপুরী কৌনীংবশিংনা খোমজিল্লগা মণিপুরী হায়না শাগৎপা হৌরকই। খোমজিনবগী থৌওংদুসু মৈতৈদগী মণিপুরী কৌবা পান্থশিংনা মুনখিবগুম লৌখিবা মাল্লক্লি। ঈ-নাই তানদনা লমদমসু মণিপুর, মীশিংসু মণিপুরী, লোনসু মণিপুরী (গ্রাম্মারসু) কৌরে। চেদা ময়াম ইশিল্লগা রেকোর্দ ওইরকখ্রে, লৈঙাক্লা য়ানা তৌখ্রে। মৈতৈ হায়বা ৱাহৈসিদি মফম-মরাং খঙদনা খুরক্তা য়েপ্পা মরক-মরক্তা চিন্দদি পনবা রেকোর্দ ওইনদি লৈরক্ত্রুবা ওইরে। মৈতৈগী মহুত্তা মণিপুরী হায়নরে, মণিপুরগী মপান্দসু মৈতৈশিং মণিপুরীনি হায়নরে। মৈতৈনি হায়বশিংনা কয়া মুন্না খন্থদবসু মাল্লকখিবা অমসুনি। তৌগে হায়না তৌবা ঙল্লিবশিংগীদি মায় পাকপা ওইনা মুন্না খন্নরগা তৌরকপসু মাল্লকখি। লৈবাক মীয়ামগী ৱারেপ য়াওদবা অফোংবা ৱা মান্দনা কোন্নুংদগী শন্দোকখিবা ৱাখল্লোন অমনি। লমদমসি মণিপুর কৌরবসু, কৌদ্রবসু মীশিংদুদি মৈতৈ ওইনা লৈগদৌবা ওইগনি। মণিপুরী কৌবদগীদি চীংমীশিংসু মৈতৈগী মনুংদা লৈখিদ্রে, মণিপুরী হায়রবসু য়ানীংদবা হৌখ্রে। ইন্থোকপা, শম্নবা য়ানদবা অমসু য়াওনা খায়দোক্নখ্রে। হৌজিক্তি ষ্টেট সিটিজেন্সিপ ওইনা পুল্লিবসি ফাওবা য়ানীংদবা য়াওরকখ্রে। ৱাথোক অচৌবা অমা ওইনা নেসনল ইস্যু ওইরক্লে। কাঙলূপকী মিংনা লৈবাক্কী মিংসু লৈত্রবদা করি তৌনগদৌরি। কাঙলূপ শাগৎনরগা লৈবাক শেম্বা পান্থগী লালহৌ ফাওবা লৈরকখ্রে। হৌজিক শাওনবগী ৱাদু কান্নবদি ৱাৎলে, লাল্লিবসি চুমথোকপা ঙম্বা তাবনি। ইম্ফাল মনুংদা লৈবা চীংমীশিংনা মৈতৈগী মনুংদা য়াওদ্রগা শুগুনুদা লৈবা, ককচীংদা লৈবা, মোইরাংদা লৈবা মীশিংনা করম্না মৈতৈ কৌগনি। থুগায়বগী ৱাদু নত্তে, অপূনবা অমা শাগৎনবা হৌখিবদা করি লৈখি থিগৎপা তারকপনি। হৌজিক্তি মোনার্কিজমগী খল্লুবা য়াদ্রে দেমোক্রেটিক ওইনা খন্নবা তারক্লে। চারৌ মৌরৌনবা তোকখ্রবসু নত্তে, ঈ মরীদা তোঙানবসু নত্তে, কাঙলূপ মমিং খরদা মিচং চংনরগা চায়খায়রিবনি। ৱাখল লৌশিং ৱাংবগীসু মান্দে, মীওই খরগী হৈনবী-পামজবীদা লৈবাক ৱাথোক ওইরক্লিবনি। মীওই খরগী ৱাখল্লোন্দুনা চায়খায়রগা লৈবাক অমা মমিং ওনখিবনি, মীয়ামদুসু কাঙলূপ অমদা হাপচিল্লিবনি। মদুদা ঙসি ফাওবা ৱা অমত্তা ঙাঙনবা ঙম্নদ্রিবনি। চীংসু-তমসু পুনবগী ৱা ঙাঙবগী মহুত্তা লৈথোক্লুগা থুগায়বগী ৱানা ঙম্না ঙাঙনরি। লমদি কায়বা য়ারোই মহায়বা ফুরুপশিংসি অমত্তা ওইনা পূন্নবা ৱাদি য়াদবা ময়াম য়াওরি। চারৌ মৌরৌনবদি য়ানদবা অমত্তা লৈত্রে, কৈশামথোং থোইবীগী ৱাসি অনৌবা নৎত্রে। সেদ্যুল্ড পূন্না থমগদৌবনি হায়বদা য়াদবসি অপূনবগী শক্তমদু থুগাইরিবনি। নাকল অমদনা মণিপুরী হায়বা ফুরুপ অমা শাগৎপদা লৈরিবগী ওইগদৌরিবনি, মৈতৈবুদি মুথৎলিবনি। মৈতৈসু মরীল ফুদোকপা ৱাৎলিবনি, করি তৌগদৌবনো খঙদ্রিবা ওইগদৌরিবনি, মুৎখ্রবা মাল্লক্লিবনি। চীংমীশিংনদি মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বসি কন্না হায়বা ঙম্নদ্রবনি, তপ্না-তপ্না তম্পাকসু লৌশিল্লক্লুবনি, মণিপুর খঙদেবু হায়বগুম্বনি। চীংমীনি হায়বশিংসু পূনবা ঙল্লক্ত্রুবনি।

কংলৈপাক কৌরম্বদুনা ৱাখল খনবদা পাক চাউনা কাঙলোন চুম্না খন্থবা ওইগদৌরি। কংলৈপাক হায়বসি চীং-তম অনীমক্কী লোনগসু নক্লুবা ৱাহৈনি। মৈত্রবাক কৌবদুনা মৈতৈগী ওইজবা নৎত্রগা নমহৎপগী ৱাখল অমা চংই। কংলৈপাক কৌরল্লিবা মতমদু মীয়ামগী থৌনাসু মফম চানা চীং-তম খায়দনা পূনবা ওইগদৌরিবনি। চীং-তম পূল্লম্বদুসু মপূং ফাবা মতম ওইগদৌরিবনি। ফজখ্রবা চৎন কাঙলোনদু মণিপুর কৌশিল্লুবদগী মাঙখ্রিবনি হায়বসি খঙনফম থোকপনি। মখোয়না বৃটিশ কৌশিল্লুই, মমৈদদি থৌনা লৈবা হায়গদ্রা, ইপঙ-পঙনা হায়গদ্রা বৃটিশতা লৈবাক পীথোকখি। মণিপুরীনি হায়রিবশিংনা কনবা ঙমখিদে, থৱায় য়াওবা হন্থনরকপগীরা হায়বসু লৈরি। সোসল সিষ্টম অমা থুগায়খিবদগী মোরেল ত্রষ্ট অমা লৈনরক্তবগী ওইগদৌরিব্রা হায়বসু লৈরিবনি। লৈবাক অমা মৈতৈনা মণিপুরীদা পীথোকই, মণিপুরীনা ইন্দিয়াদা পীথোকই হায়বা য়াওরি, চীংমীদি য়াওদে হায়রিবনি, শাওবু শাওরিবনি। মণিপুরী জাতি হায়বসিবু লৈব্রা?

মণিপুর কৌবদা য়াখিবসু মৈতৈনি, মর্জর তৌনখিবসু মণিপুরী কৌরিবা মৈতৈননি, বৃটিশকা খৎনবা হৌবসু মৈতৈনা ওইরিবনি, কংলৈবাক কৌরম্বা ফজখ্রবা লমদম অমবু মৈতৈ খরগী ৱাখলদগী মাঙহনখ্রিবনি, ফজবদু মাঙহঞ্জখি হায়বনি। তুং ইল্লিবশিং খূৎলোকপী মরূ চায়খায়বগুম চায়খায়খ্রিবনি। ব্লেম তৌবা নত্তে রিয়েলাইজেসন অমা চংই হায়বদুনি। তাশিন খোমজিনবা অমা চংলি, কথোক্লুবা ঙম্নদ্রি, মালেমগী মীওইবগী থাক অমা উবা ঙম্নবা ৱাখল লৌশিং পাকথোকপা চংলি। মদু ঙম্নবগীদমক পুৱারী খঙবা তারক্লি, শেমজিন শাজিনবনা য়ারোই হায়বসু খঙগদৌবনি, চৈতুপ ৱাতুপকী নম্ফু হাফু তৌবনসু য়াররোই। মদুদি মতম মাঙনবনি, ৱাখল থেল্লি হায়বা উৎনরিবনি। থম্মোয় শেংনা লমদমসি নুংশিবা চংই।

তাশিন খোমজিনবা য়ানবা ইরাবতনা লৌমী-শিন্মীদা য়ূম্ফম ওইবা কাঙলোন অমা হৌদোক্লম্লবনি। পৱার পামদুনা মণিপুরী কৌরিবশিংনা য়াখিদবনি, ইরাবতপু লাক্লখ্রিবনি। মমৈদনা পোলিটিকেল পার্টি শেম্নরগা ইন্দিয়াদা পীথোকপনি। লমদমসিগী মীয়ামগী মরায়বকসি খূৎলোকপী মরূগা মান্নখ্রে, ইম্ফালগী মীওই খরনা শানখি হায়বা অহলশিং লৈখ্রিবনি। ইরাবতপু লমদম অসিদগী তান্থোকখি। মীওই খরগী থরুম ওইবসু য়ারিবা ৱাফমদু লৈঙাক্কী পৱার শীজিন্নদুনা মীয়াম অসিগী লাইবকসু থৈদুনা পুরকখ্রিবনি হায়গনি। ইরাবত অমসুং থাজবশিংদি শোক্ল-শম্নবা য়াদবসি মুথৎপা পামখিবনি অনেম-অৱাং খায়বসি য়াখিদবনি। মখোয়বু য়াদবা হায়বদুনা অনেম-অৱাং খায়রিবা মণিপুরীনি হায়বশিং ওইবা তারকই। মণিপুরী ওইরিবশিংনা লৈঙাক পায়খিবদগীনি, মণিপুর কৌবা য়াখিবদগী হৌরকখ্রবনি হায়বনি। হৌজিক্তি মদু পূন্নমক্তু লানখ্রে হায়বা খঙনরবনি, শেমদোকপা ঙমদ্রিবসিগীদি অথিংবা লৈত্রবনি। থবক তৌবা ঙম্বা মীওই লৈতবগীরা, ৱা খন্নদবগীরা, ৱাখল-লৌশিংদু লৈনদবগীরা অমদি ওইগনি। শেমদোক্ত্রিবমখৈ য়েৎনখিগনি, খৎনখিগনি।

ঙসিদি মণিপুর কৌরুবগী নোক্লরকপসি মীয়াম্না তারবনি। মহাভারতপু করিগী করেম্নবনো হায়রকপা হায়বসি ইকায়ফম থোকপনি, করি তৌগনি খন্নফম থোক্তব্রা? মায় খুমজিল্লগা ইকায়বিদে হায়রগা ফম্লগা অদুমক লৈখিবা তারিবরা? মরক-মরক্তা ৱা-ৱা মথি ফোংনগনি, শক মায় য়েংনখিব্রা তূমিন্না হেক্তা লৈনখিনি। করি তৌগদগে খঙদবা, থবক হৈতবগীরা, ৱাখল লৌশিং মপূং ফাদ্রিবগীরা, থৱায় য়াওবা মী লৈতবগীরা? কনানা লমদমসি কনবা ঙমগদৌরি?

মণিপুর কনবা পাল্লিবশিং মমিংসি কৌনীংবশিং ঙাক্তরা? মৈতৈ মুথৎপা নৎত্রগা মৈতৈ য়োল্লগা চাবা তারক্কদৌরিব্রা? মৈতৈনি হায়বশিংসু মণিপুর কৌবদা য়াখ্রবরা, মণিপুরী কনবদা য়াওরগা অদুম মুৎখিবা য়ারব্রা? মশানা মশা য়োন্থোকখিবা তারোইদ্রা? মীচং চংনদনা লমদমগী খল্লগা খন্নবা তারক্লি। চীংমীনি হায়রিবশিংনবু হেন্না ৱা ঙাঙলকফম থোকই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।